# প্রাইম মিনিষ্টর মোদি হাৎনবা অরোনবা থৌরাং মাওইষ্টকী চিঠিদগী খঙবা ঙম্লে ঃ *পুনে পুলিস*



***মুম্বাই, জুন ৮ ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু রজিব গান্ধী হাৎখিবা অদুগা মান্নবা মওং অমদা হাৎননবা অরোনবা থৌরাং অমা মাওইষ্ট অমদগী ফংখিবা চিঠি অমদা ইরম্বদগী খঙবা ঙম্লে হায়না ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা কোর্ট অমদা পুনে পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

আইন্না থিংখ্রবা সি পি আই-মাওইষ্টকা মরী লৈনরম্বগীদমক য়ূমশকৈশা নুমিত্তা মীওই ৫ ফাখি। মীওই মঙা অদুদি দলিট এক্টিভিষ্ট সুদির ধৱালে, উকিল সুরেন্দ্র গেদলিং, এক্টিভিষ্টশিং মহেস রাউট অমসুং সোমা সেন অমসুং রোনা ৱিসননি।

পুলিসনা মখোয়বু অর্বান মাওইষ্টকী মকোক থোংবশিংনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মখোয়বু জনুৱারী থাদা থোকখিবা ভিমা-কোরেগাউন কাষ্ট ভাইওলেন্সকা মরী লৈননা ফাখিবনি।

পাউগী এজেন্সিগী মতূং ইন্না সেসন কোর্টতা পুনে পুলিসনা ফোঙদোকপদা দিল্লিদা লৈবা এক্টেভিষ্ট রোনা ৱিলসনগী য়ূমদগী চিঠি অদু ফংবনি হায়খি। রোনা ৱিলসন হায়রিবা মীওই অসি কম্মিটি ফোর রিলিজ ওফ পোলিটিকেল প্রিজনর্সকী মেম্বর অমনি।

চহী অসিগী অঙনবদা পুনে মনাক্কী ভিমা-কোরেগাউনদা দলিট রেলি অমগী মতাংদগী হিংশাগী থৌদোক থোক্লকখিবনি।

পব্লিক প্রোজিক্যুটর উজৱালা পৱারনা কোর্ট অদুদা হায়খি, চিঠি অদুদা এম-৪ রাইফল অমসুং মসিগী মরু লাক্ষ ৪ লৈনবা লুপা ক্রোর ৮ গী শেনফম মথৌ তাই হায়না ইরম্মী। মসিগা লোয়ননা 'অতোপ্পা রজিব গান্ধীগী থৌদোক' কী মরমদসু ইরম্মী।

ঐখোয়না অতোপ্পা রজিব গান্ধী-তাইপকী থৌদোক অদুগী মওংদা চত্থনবা খল্লি। মসি সুইসাইদেল ওইবা য়াই হায়না খল্লমগনি অমসুং ঐখোয় মায়থিবা য়াই খল্লমগনি। অদুবু ঐখোয়না হৌদোক্লিবা ৱাফম অসিদা পার্টিনা শোয়দনমক খন্নবীগদবনি হায়না চিঠি অদুদা ফোঙদোক্লম্লিবা ৱাফম অদু পব্লিক প্রোজিক্যুটর অদুনা কোর্টতা থমখি।

মসি য়াম্নমক অরুবা হীরম অমনি। নক্সালশিংগী মথক্তা অৱাবা পোৎলুম অমা মায়োক্লরে হায়বসি খঙনরবনি। মসি য়াম্না তমথিবা অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা অমনি। মখোয় অসিগী মীওই কয়া অমনা মেনষ্ট্রিম পার্টিশিংগা মরী লৈনবা পান্নরকপা য়াওরে হায়না বি জে পি গী নলিন কোহলিনা ফোঙদোক্লক্লি।

সি পি এম লুচিংবা সিতারাম য়েচুরিনা হায়খি, সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা মখোয়গী থবক তৌগদবনি। কোর্টনা হিয়ারিং তৌরি। কোর্টনা ৱারেপ লৌজসনু।

এ এন আই ন্যুজ এজেন্সিনা থাদোরকখিবা চিঠি অদুগী কোপি অমদা হায়রি, বিহার অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগুম্বদা চাউনা মায়থিবা ফংখ্রবসু মোদিনা ষ্টেট ১৫ হেনবদা বি জে পি গভর্ণমেন্টশিং মিখলদা মায় পাকখ্রে। করিগুম্বা খোঙচৎ অসি মখা চত্থরবদি মায়কৈ খুদিংমক্তা পার্টি অসিগীদমক য়াম্না অচৌবা অৱাবা অমা ওইগনি।

ফারবা মীওইশিং অদুগী মহুৎ শিল্লিবা উকিলশিং অদুনা ফোঙদোকপদা প্রোজিক্যুসন্না পল্লিবা দোকুমেন্টশিং অদু শেমজিন শাজিনবনি অমসুং মখোয়বু মরাল শীবা য়ানবা হোৎনবনি হায়খি।

# পর্ভেস মুসারফকী নেস্নেল আইদেন্টিটি কার্দ অমসুং পাসপোর্ট ককথৎখ্রে



***ইস্লামাবাদ, জুন ৮ ঃ***
পাকিস্তানগী ওথোরিটিনা হান্নগী মিলিটরি রুলর পর্ভেস মুসারফকী নেস্নেল আইদেন্টিটি কার্দ অমসুং পাসপোর্ট স্পিসিয়েল কোর্ট অমনা থোকপা ওর্দর মতূং ইন্না ককথৎখ্রে।

মেদিয়াগী রিপোর্ট অমগী মতূং ইন্না মিলিটরি দিক্তেতর পর্ভেস মুসারফকী মায়োক্তা ট্রিজন কেস অমা হিয়ারিং তৌখিবা স্পিসিয়েল কোর্ট অমনা মহাক্কী আইদেন্টিটি কার্দ অমসুং পাসপোর্ট ককথৎনবা ওর্দর তৌখিবনি।

কুমজা ২০০৭ তা পাকিস্তান্দা ইমর্জেন্সি থমজিনখিবগীদমক ট্রিজন চার্জশিংদা মুসারফপু কুমজা ২০১৪ গী মার্চতা মরাল শীখিবনি। মহাক্না থমজিনখিবা ইমর্জেন্সি লৈঙাক অদুনা মথক থোংবা কোর্টকী জজ কয়ামরুম মখোয়গী য়ূমশিংদা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখি। মসিগী মথক্তা জজ ১০০ হেনববু থবক্তগী লৌথোকখি।

কুমজা ২০১৬ কী মার্চ ১৮ দা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা মশা লায়েংবগীদমক দুবাইদা চৎখি। থাখরগী তুংদা স্পিসিয়েল কোর্ট অদুনা মহাকপু প্রোক্লেম ওফেন্দর অমা ওইনা লাওথোকখি অমসুং কেস অদুদা মহাক্কী মশক উৎলুদবগী মাগী মমিংদা লৈবা লন-থুমসু মৎনবা ওর্দরসু তৌখি। মহাক্কী কম্প্যুটরাইজ নেস্নেল আইদেন্টিটি কার্দ অমসুং পাসপোর্ট অদু সস্পেন তৌনবা কোর্ট অদুনা মার্চ থাদা ফেদরেল গভর্ণমেন্টতা ওর্দর তৌখি।

নেস্নেল রেজিষ্ট্রেসন এন্দ দতাবেজ ওথোরিটি (এন এ দি আর এ) না মুসারফকী কম্প্যুটরাইজ নেস্নেল আইদেন্টিটি কার্দ সস্পেন তৌখি। মদুগী মরমনা পাসপোর্টসু সস্পেন তৌখি। মহাক্কী পাসপোর্ট ব্লোক তৌখ্রবা মতূংদা মুসারফনা কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তদা চৎপা য়াররোই অমসুং মহাক্না দুবাইদা লৈরিবা অদু ফাওবা আইন্না য়াদবা ওইরগনি হায়রি।

পাউগী লীখুন অসিনা ফোঙদোকপদা পর্ভেস মুসারফনা হৌজিক তৌবা য়ারিবা হায়ববু পোলিটিকেল এসাইলম লৌবা নৎত্রগা করিগুম্বা মহাক্না পাকিস্তান্দা হল্লকপা পান্নবদি মদুগীদমক অখন্নবা দোকুমেন্টশিং থৌরাং তৌবা অসিনি হায়রি।

স্পিসিয়েল কোর্ট অদুনা মার্চ থাদা পীখিবা ওর্দর অদুদা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রি অমসুং অতৈ দিপার্টমেন্টশিং, দিভিজনশিং অমসুং পাকিস্তান গভর্ণমেন্টকী এজেন্সিশিং পূম্নমক্না মুসারফপু শোয়দনা ফানবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়খি।


ওর্দরশিং অসি ইল্লদুনা মেগী অরোয়বা থাদা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা হান্নগী মিলিটরি রুলর অসিগী কম্প্যুটরাইজ নেচর আইদেন্টিটি কার্দ অদু সস্পেন তৌনবা এন এ দি আর এ দা খঙহনখি।

অদুম ওইনমক ওইরক্লিবা অনৌবা ফিভমশিং অসিগী মতাংদা মোত লৌনবা হোৎনবদা এন এ দি আর এ গী মেদিয়া দিপার্টমেন্ট, মসিগী ৱাঙাংলোয় অমসুং চিয়ার্মেন মখোয় লোয়নমক পাউ ফাওনবা ঙমখিদে।

হায় ট্রিজনগী কনভিক্সন ফংবা তারবদি শিবগী চৈরাক নৎত্রগা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক ফংগনি। মুসারফনা পাকিস্তানবু ১৯৯৯ দগী ২০০৮ ফাওবা লৈঙাক পায়রম্মী। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর বেনাজির ভুতো হাৎপা য়াওনা ক্রিমিনেল কেস কয়ামরুমদা মহাকপু পাকিস্তান্না ফাবা পাল্লিবনি।

# প্রনাব মুখর্জিনা আর এস এস কী থৌরমদা ৱা ঙাংখিবা অদু শীংথানিঙাই ওইবা অমনি হায়না এল কে অদভানিনা থাগৎখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ৮ ঃ***
ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা আর এস এস হেদক্কোর্টসতা মসিগী থৌরম য়াওবা লাকখিবা অদুবু বি জে পি গী অহল ওইরবা লুচিংবা এল কে অদভানিনা ঙসি থাগৎখ্রে অমসুং ইন্দিয়ান নেসনেলিজমগী পূকচেল চাওরবা ৱাখল্লোন অমসুং ফিদমশিংবু ময়েক শেংনা উৎথোকখিবা মাগী ৱাঙাং অদু ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী হৌজিক্কী ইতিহাসতা শীংথানিঙাই ওইরবা অমনি হায়খ্রে।



হিন্দুত্বা ওর্গনাইজেসনগী বার্তন অদু য়াবগীদমক কংগ্রেসতা চহী ৫০ লৈরকখ্রবা মিষ্টর মুখর্জিবু অদভানিনা থাগৎখি, লোয়ননা মহাকপু থৌরম অদুগীদমক বার্তন তৌখিবগীদমক আর এস এস কী চীফ মোহন ভগৱতপুসু থাগৎখি।

প্রনাব মুখর্জি অমসুং মোহন ভগৱত অনীমক্না খেন্ন-খেন্নবা আইদিওলোজিশিং অমসুং অতৈ খেন্নবশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা ৱারী শান্নবগী থাগৎনিঙাই ওইরবা খুদম অমা শেংনা পীরে হায়না আর এস এস কী পুন্সিচুপ্পা স্বয়মসেবক অমা ওইরিবা বি জে পি গী অনৌবা লুচিংবা অসিনা হায়খি।

তোঙান তোঙানবা থাজবশিং য়াওনা দাভর্সিটি পূম্নমকপু য়ারিবা অমসুং ইকায়খূম্নরিবা ইন্দিয়াগী নুংগী ওইবা অমতা ওইবা মশক অদু মখোয় অনীমক্না উৎখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা অদভানিনা হায়খি।

আর এস এস কী চহীগী থৌরমদা ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রচারকশিং ওইরগদবা মেম্বরশিংদা ৱা ঙাংনবা আর এস এস কী বার্তন অদু লৌনবা হান্নগী প্রসিদেন্টকী ৱারেপ অদু কংগ্রেস লুচিংবা কয়াদগী লোয়ননা বি জে পি গী অতৈ য়েক্লবশিংদগী কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক থৌরম অদুদা প্রনাব মুখর্জিনা ঙাংখিবা ৱারোল অদু কংগ্রেস লুচিংবশিংদগীসু থাগৎপা য়াওনরক্লি। মহাক্কী ৱারোল অদুদা নুংশিনদবা, তুকৎচনবা অমসুং ইন্টোলেরেন্সনা নেস্নেল আইদেন্টিটিগী মশক শিথহল্লি হায়না প্রনাব মুখর্জিনা ৱার্নিং তৌখি অমসুং খেন্নবশিং তায়শিন্ননবা দাইলোগ তৌগদবনি হায়না অপিল তৌরদুনা জাৎ নৎত্রগা লাইনিংনা নেস্নেলিজমবু তাক্কদবা নত্তে হায়বা ৱাফম থমখি।

### উচেকনা প্লেন ইঞ্জিন শোকহনবদগী ক্রোর ৫ মাংহল্লে

***কোলকটা, জুন ৮ ঃ***
কোলকটাদগী পোর্ট ব্লেয়ারদা পাইখিবা গোএয়ারগী ফ্লাইট অদু উচেকশিংনা প্লেন অদুগী ইঞ্জিন শোকহনবদগী ঙরাং অয়ূক এয়ারপোর্টতা অমুক হল্লকখ্রে।

প্লেন অদুদা পেসেঞ্জর ১৬০ তোংখি। অয়ূক পূং ৮.৩০ রোম তবদগী ফ্লাইট অদু পাইখৎখিবনি অদুবু ৱাংনা পাইখৎলকখিবা মতমদা পাইলোট অদুনা য়েৎ থংবা ইঞ্জিন্দা য়াম্না কন্না ভাইব্রেসনশিং থোকপা খঙলকখি। মদুগী মতূংদা এয়ারপোর্টতা অমুক হন্না পাইথরক্নবা খঙহনখি। ইঞ্জিনগী ব্লেদ ৬ শোকখিবা অমসুং ফ্লাইট কেন্সেল তৌবা অদুনা লুপা ক্রোর ৫ রোম মাংহল্লে হায়রি।

# ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারনা নাকল অনীগী মরীশিং, ঙমখৈগী মতাং, সেক্যুরিটি এন্দ দিফন্সেকী মতাংদা খন্নখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ৮ ঃ***
ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী মরক্তা ফোরেন ওফিস কন্সল্টেসনশিংগী ১৭ রক শুবা খন্ন-নৈনবদা ঙমখৈ, সেক্যুরিটি, দিফেন্স য়াওনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা অয়াম্বা ৱাফম খন্নখ্রে হায়না এক্সটির্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ইন্দিয়াগী নাকলদা ফোরেন সেক্রেটরী বিজয় গোখলেনা লুচিংখি। অদুগা ম্যান্মারগী নাকল্লোমদগী মখোয়গী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ার্সকী পার্মিনেল সেক্রেটরী উ ম্যিন্ট থু না লুচিংখি। খন্ন-নৈনখিবশিং অদুদা হায়-লেভেল বিজিট, সেক্যুরিটি এন্দ দিফেন্সকা মরী লৈনবা হীরমশিং, ঙমখৈগী মতাং, বোর্দর মেনেজমেন্ট, ট্রেদ এন্দ কমর্স, দিভলপমেন্ট কো-ওপরেসন, কনেক্টিভিটি, কলচরেল এন্দ কোন্সুলর মেটরস য়াওনা হীরম অয়াম্বা নাকল অনীনা খন্নখি।

নাকল অনীমক্না থরায় সব-রিজনেল, রিজনেল অমসুং গ্লোভেল ইশুশিংগী মতাংদা মখোয় অনীনা মোত ফোঙদোক্লখি হায়না মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেমেন্ট অমনা হায়রি।

হৌখিবা থাদা এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ম্যান্মারদা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদুদা মহাক্না লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট উ ৱিন ম্যিন্ট অমসুং ষ্টেট কাউন্সিলর ওইবগা লোয়ননা ফোরেন মিনিষ্টরসু ওইরিবী ওং সান সু চি গসু উন্নরকখি।

সুস্মা স্বরাজগী খোঙচৎ মনুংদা ঙমখৈ অমগা ঙমখৈ অমগা মরী লৈনবা হীরমশিং, শান্তি অমসুং সেক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফমশিং, ময়ূম থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবা রোহিংয়াশিং অমুক হল্লকহনবা য়াওনা রখিন ষ্টেটতা ওইরক্লিবা ফিভমশিং, ম্যান্মারদা ইন্দিয়ানা পীরিবা দিভলপমেন্টকী তেংবাং, হৌজিক চত্থরিবা প্রোজেক্টশিং অমসুং নাকল অনীমক্না থরায় য়াওনরিবা অতৈ হীরম কয়ামুক খন্নরকখি হায়রি।

# সেক্যুরিটি ফোর্সকা খূৎ থোক্নবদা নক্সাল কম্মান্দর শিখ্রে

***রাইপুর, জুন ৮ ঃ***
ছতিসগরগী মনুংদা মাওইষ্ট লানহৌবশিংনা চাহৎলবা বিজাপুর দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা অকনবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা নক্সাল কম্মান্দর অমা শিখ্রে হায়না পুলিসনা হায়রি।

ভাইরামগর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবদা লৈবা জারামোঙ্গিয়া জঙ্গলশিংদা ঙসি অয়ূক অঙনবদা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দ (দি আর জি) অমসুং মফমদুগী পুলিসকা লোয়ননা অপূনবা টিম অমনা নক্সালশিংগী মায়োক্তা ঙসি ওপরেসন অমা চত্থখিবনি। ওপরেসন অদু চত্থরকপদা খূৎলাই পায়বা মিলিটেন্টশিং অদুগা খূৎ থোক্নরকখিবনি হায়না বিজাপুর সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস মোহিট গর্গনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

ছতিসগরগী কোনুংদগী চাওরাক্না কিলোমিটর ৫০০ রোম লাপ্পা মফমদা লৈরিবা জারামোঙ্গিয়া জঙ্গলশিং অদুবু সেক্যুরিটি ফোর্সকী পেট্রোলিং টিম অদুনা কোয়শিন্দুনা থম্বা মতমদা খূৎলাই পায়বা লানহৌবা মীওই ২৫ দগীনা ৩০ ফাওবগী খূৎপু অমনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মদুদগী নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোকখি হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অদুনা হায়খি।

নাকল অনীনা চাওরাক্না পূং ১ রোম চুপ্পা নোংমৈ কাপ্নখি। মদুগী মতূংদগীদি লানহৌবশিং অদু অশুকপা জঙ্গলদা চেনশিনখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

নোংমৈ কাপ্নবা অদু লোয়রবা মতূংদা মফম অদুদা সেক্যুরিটি ফোসশিং অদুনা থিবা-হুম্বগী থবক চত্থবদা ৭.৬২ এম এম গী পিষ্টোল অমা, মসিগী মরু ৩, এক্সপ্লোসিভশিং, দিতোনেতরশিং, টিফিন বোম, নক্সাল লিটরেচর অমসুং মাওইষ্টকা মরী লৈনবা পোৎ কয়ামরুমগা লোয়ননা য়ুনির্ফোম শেৎপা মাওইষ্ট অদুগী হকচাং ফংখি। শিরিবা নক্সাল অদু হৌজিক মশক-মমিং খঙবা ঙম্লে। মহাক্কী মমিং মোতি ফর্সা কৌই মশাগী চহী ২৮ রোম শুরে মহাক মাওইষ্টশিংগী ইদর মালিসিয়া প্লেতুন কম্মান্দর ওইনা থবক তৌবনি হায়না বিজাপুর এস পি না হায়খি। মফম অদুদা হৌজিক ফাওবা থি হুম্বগী থবক চত্থরিবা মরমনা মখা তাবা পাউ ঙাইরি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং ঝর্খন্দগী সরাইকেলা এরিয়াদা নক্সালশিংগা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদসু সি আর পি এফ কী কম্মান্দো বটালিয়ন ফোর রিসোলুট এক্সন নৎত্রগা কোব্রাগী ২০৯ শুবা বটালিয়নগী কোব্রা কম্মান্দো অমা শিখ্রবনি অমসুং পুলিসমেন অমা শোকখিবনি।

# কিম জোং উন নোংমাইজিং নুমিত্তা সিঙ্গাপোরগী চাঙ্গি এয়ারপোর্টতা থুংলবা য়াই

***সিঙ্গাপোর, জুন ৮ ঃ***
সিঙ্গাপোরদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা উন্নদুনা ৱারী শান্নগদৌরিবা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অদুগী চাঙ্গি এয়ারপোর্টতা থুংলবা য়াই হায়না লুচিংবা অসিগী খোঙচৎকী থৌরাং তৌবদা তৌবা য়াওবা লীখুন অমনা হায়রি।

জুন ১২ দা লৈবাক অনী অদুগী লুচিংবশিংগী মরক্তা ৱারী শান্নগদৌরিবা অদু নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার ৱিপনস অমসুং রিছার্স প্রোগ্রাম তোকপগী মতাংদা মরু ওইনা খন্নগনি। দিপ্লোমেটিক অমসুং ইকোনোমিক্কী মতেংশিং ফংহনবগী মহুৎ ওইনা নোর্থ কোরিয়ানা প্রোগ্রামশিং অদু তোকপা হায়বসি য়াননবা য়ু এস না হোৎনগদৌরিবনি।

চাঙ্গি এয়ারপোর্টনা পাউগী এজেন্সি রোইটরসনা হংলকখিবা ৱাহং অদু সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটি ওফ সিঙ্গাপোরদা হংনবা খঙহনখি অদুবু এভিয়েসন ওথোরিটি অদুনা খুদক্তা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে হায়রি।

# ফ্রান্সকী মেক্রোননা ট্রম্পকী মায়োক্তা য়ুরোপিয়ান ফ্রন্ট শেম্নবা হোৎনরি

***পেরিস, জুন ৮ ঃ***
কনাদাদা ইনাকখুনবা লৈবাকশিংগী গ্রূপ ওফ সভেন (জি-৭) গী সমিটতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মায়োক্তা য়ুরোপিয়ান ব্রিগেদপু ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমানুৱেল মেক্রোননা লুচিংবগী থৌদাং লৌগদৌরি।

জর্মন চান্সেলর এঞ্জেলা মার্কেল, বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর থেরেসা মে, ইতালিয়ান প্রেমিয়র গ্যুসেপ কোন্টে অমসুং মকোক থোংবা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন ওফিসারশিংবু জি-৭ গী মীফম হৌদ্রিঙৈগী হেক মমাঙদা ঙসি মীফম অমা পাঙথোক্লবা মেক্রোননা কৌখ্রে।

হন্দক য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা চৎলিবা মীশক অসিনা অতৈ লৈবাকশিংবু য়ুরোপিয়ান ফ্রন্ট অমুক হন্না শেম্নবা ৱাখল খনহল্লগনি হায়না ফ্রান্সকী প্রসিদেন্টনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ষ্টিল অমসুং এলুমিনিয়মদা মশাগীতা খনবা টারিফশিং থমজিন্নবা অমসুং ইরান ন্যুক্লিয়ার দিলদগী তোক্লবা লোয়ননাপেরিস ক্লাইমেট এগ্রিমেন্টতগীসু তোক্লবা লৌখিবা য়ু এস কী ৱারেপ অদুবু য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। মেক্রোননা ইংলিশ লোন্দা ট্যুটরদা অকনবা ৱাফমদা লুচিংবা অমত্তা মতম পূম্বগী ওইবা নত্তে হায়খি।

# সিরিয়াদা এয়ার ষ্ট্রাইকনা ৩৮ হাৎখ্রে

***ইদলিব, জুন ৮ ঃ***
লানহৌবনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা ইদলিব কৌবা সিরিয়াগী প্রোভিন্স অদুদা লৈরিবা খুঙ্গং অমদা ঙরাং নুমিদাং চত্থরকখিবা এয়ার ষ্ট্রাইকশিংনা য়ামদ্রবা মীওই ৩৮ হাৎখ্রে হায়না ঙসি সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটচনা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং থংবা খুঙ্গং লমদম ইদলিবতা জরদনা খুঙ্গংদা রসিয়ান মানবা লান প্লেনশিংনা পান্দম থমলকখি অমসুং মার্চ থাগী অথেংবদগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা লমদম অসিদা এটেক অমখক্তদা মী খ্বায়দগী য়াম্না শিবা এটেক ওইখ্রে হায়না বৃটেনদা লৈবা ৱার মোনিটর অদুগী দাইরেক্তর রামি অব্দুল রহমননা হায়খি। এটেকশিং অদুদা শোকখিবা মীওই ৫০ গী মনুংদা ফিভম লুবশিং য়াওবনা অশিবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা য়ারি হায়রি।

**সনা-সুদোকু -১১৯১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 9 | 4 | 5 | 3 | 8 | 2 | 7 | 1 |
| 1 | 3 | 5 | 2 | 7 | 9 | 6 | 8 | 4 |
| 8 | 2 | 7 | 4 | 6 | 1 | 5 | 3 | 9 |
| 3 | 7 | 6 | 8 | 1 | 2 | 4 | 9 | 5 |
| 2 | 4 | 8 | 6 | 9 | 5 | 7 | 1 | 3 |
| 5 | 1 | 9 | 7 | 4 | 3 | 8 | 2 | 6 |
| 4 | 5 | 1 | 9 | 2 | 7 | 3 | 6 | 8 |
| 7 | 8 | 3 | 1 | 5 | 6 | 9 | 4 | 2 |
| 9 | 6 | 2 | 3 | 8 | 4 | 1 | 5 | 7 |

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 18/04/18
Valid : 16/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 07/06/18
Sl. No. 20000
Valid : 01/12/17
Stk : 306
Delivery at Heinoupok Godown

**Athokpam Indane**
Booking : 22/04/18
Valid : 16/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 10/05/18
Valid : 03/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**M M Gas**
Booking : 11/05/18
Valid : 04/05/18
Stk : 306/19kg 85
Rate : Rs. 811.50/-
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**TDK Gas, Sekmai**
Booking : 29/04/18
Valid : 24/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 23/05/18
Valid : 14/05/18
Sl. No. 50
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 30/04/18
Valid : 16/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Patsoi Indane**
Booking : 03/05/18
Valid : 24/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 27/04/18
Valid : 07/04/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Canchi Service Indane**
Booking : 14/05/18
Valid : 09/05/18
Stk : 306/19kg 90
Rate : Rs. 811.50/-
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Haran Valley Gas, Kwakta**
Booking : 09/05/18
Valid : 07/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 05/05/18
Valid : 01/05/18
Sl. No. 0350 to 9131
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 16/08/18
Valid : 14/08/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 26/04/18
Valid : 15/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 27/04/18
Valid : 17/04/18
Sl. No. 7600
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1192**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 9 | 4 | | | |
| | 8 | 6 | | | | 4 | | |
| | 4 | 2 | | 5 | 8 | | | |
| 6 | | 1 | 4 | | | 8 | | |
| | | 5 | | 3 | | | 9 | |
| | | | 1 | | | | | 5 |
| | | | 2 | 7 | 1 | 6 | | |
| | | | | | | | | |
| | 5 | | | 4 | | | 8 | 2 |

RST Resonant Tutorials
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET (UG) - 2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Separate Section For Purely English Medium.
Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.